## ক্বাথাদা হেল্থ চেক...

*লামায় ১গী মখা...*

হেল্থ চেক-অপ অসিদা মোরেগী স্পেসল মলেরিয়া য়ুনিটকী এ এম ও কামৈ অমদি মোরে হোস্পিটালগী লেবোরেটরি টেক্নিসিয়ন কৃষ্ণনসু খুঞ্জাশিংগী ব্লদ সেম্পলশিং খোমগৎলগা টেষ্ট তৌনবা থাখ্রে হায়রি।

ডা. এ সেসিলনা কেম্প অসিদা লোক লাইহৌ তৌবা মীওইশিং লাকখি হায়বগা লোয়ননা মসিবু কুইনা তৌরক্লবশিংদি য়াওদে, হীদাক লাংথক চারগা ফখিবসু য়াওরম্মী। লায়না অসি অরুবদি মান্দে অদুবু দেঙ্গিগুম্বা ওইরমগদ্রা চিংনবনা ব্লদ সেম্পলশিং লৌদুনা টেষ্ট তৌবনি। রিজল্টকী মতুংইন্না খুল অসিদা অমুক হন্না লাকখিগনি হায়খি। লোয়ননা ক্বাথাদা কোভিদকী লাইওংনি চিংনবশিংদি লৈতে হায়খি।

## লম্ফেলদা চীংমী ফুরুপ পূম্নমক্কী কৈথেল অমা ...

*লামায় ১গী মখা...* হায়খি। অদুগা নুপী পোৎফম ফম্বী অয়াম্বনা হান্নদগী বেঙ্ক একাউন্টশিং লৈবা হৌরবনি হায়খি।

লৈঙাক্লা হৌজিক ফাওবদা ইমা কৈথেল তরেৎ শাখ্রে হায়রদুনা অসিগুম্বা কৈথেলশিং অসি নুপীশিংবু হেন্না থৌনা হাপ্লবগীদমক অমসুং শেন্মীৎলোন ফঙাৎহন্নবগীদমক শাবগী থবক চথুবা য়াওরি। মণিপুরগী অনৌবা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু নুপী কৈথেলশিং শারগনি হায়খি। লৈঙাক্লা কৈদৌনুংদা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা মীশিং য়াম্বা-য়ামদবা য়েংদুনা অমনা অমবু হন্থনা য়েংবগী ৱাখল্লোন লৈতে হায়রদুনা লম্ফেলগী এরিয়াদা চীংমী ফুরুপ পূম্নমক্কী ওইগদবা কৈথেল অমা শারগনি হায়খি। মরম অসিনা ঙসিদগী হৌদোক্লিবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা পোৎফম ফম্বীশিংনা থৱায় য়াওনা শরুক য়াবগা লোয়ননা মখোয়না ফংলকপা লৌশিং অমসুং ঈ-পাউশিং অদু প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়াবা ফংজদবা অতোপ্পা পোৎফম ফম্বীশিংদসু য়ৌহনবীয়ু হায়না আপীল তৌখি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা এন সী দব্লিয়ুগী চ্যেরপর্সন রেখা শর্ম্মনা প্রোগ্রাম পাঙথোকপদা মতেং পাংবগীদমক মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। লোয়ননা মণিপুরগী নুপীশিংনা থবক থৌরম পূম্নমক্তা শরুক য়াই হায়বা খঙলে হায়রদুনা থৌওং অসি নুপীশিংবু হান্নদগী মপাঙ্গল হাপ্লকপনি অমসুং হৌজিক মথৌ তারিবদি নুপীশিংনা অতোপ্পা মীওইশিংদা চাওখৎ থৌরাংগী লম্বীশিং উৎপনি হায়খি। থৌরম অসিদা সোসল ৱেলফ্যের মিনিষ্টর ঐচ দিঙ্গো, মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চ্যেরপর্সন থুমলিপ তিনিংফম মোম্সাং অমসুং মেম্বরশিংদা এল দয়াবতি অমদি টি চোংশিন কোইরেং, সোসল ৱেলফ্যেরগী দিরেক্টর ঙাঙোম উত্তম অমসুং ইমা কৈথেল অহুমগী পোৎফম ফম্বীশিংনা শরুক য়াখি। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিনা নুপীশিংদা মরী লৈনবা বেঙ্ককী স্কিমশিং খঙহনবগা লোয়ননা ওনলাইন বেঙ্কিং, টেক্স লো/ন্যু জি এস টি লো অমসুং টেক্স কমপ্লাইএন্স অমদি ঈ-কোমর্স দেমোন্সত্রেসননচিংবগী মতাংদা ৱাখল তাহনগনি হায়রি। থৌরমগী মনুং চন্না চীফ মিনিষ্টরনা হন্দক্তা তুপুলগী রেলৱে কন্সত্রক্সন কেম্পতা থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎলদুনা থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবশিংগা পূন্না মিনট ১ তূমিন্না লেপখি।

## নূঙজাওশিং কিন্থরকখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...*অনীসিগী মরক্তা গাড়ী চৎথোক চৎশিন তৌবদা অপনবা থোকহল্লে হায়রি। নূঙজাওশিং অদু এন ঐচ আই বি সী এলনা লৌথোক্লবা হোৎনরি। অদুম ওইনমক তুপুল অমসুং নামদুৱানজাং ভিলেজগী মরক্তা লৈবা হায়ৱেগী শরুকশিংদা ইমর্জেন্সি সপ্লাইগী নত্তবা গাড়ীশিং চৎথোক চৎশিন তৌবদা অথিংবা থল্লে হায়রি।

## লাইনীংহল ফুলো...

*লামায় ১গী মখা...* পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা এম এল এ থাংজম অরুনকুমারনা লাইনীংহলনা কছারদা পোকচরগসু মৈতৈ ফুরুপ্পু মশক তাক্লবা অমদি ফুরুপ অসিগীদমক অচৌবা থৌদাংশিং লৌরম্বা অদু কাউফম থোক্তে হায়খি। মীতৈ লাইনীং/ইনাৎ ফুরুপ্পু কন্নীংবা ইহুলদা কখোক্তুনা চঙশিনখিবা লাইনীংহলনি হায়খি। ত্রষ্টনা তৌরকপা প্রপোজেলশিং লূপ্না লৌজে হায়রদুনা সী এমগসু তান্নরগা থৌদাং লৌজগে হায়খি। ত্রষ্টকী প্রসিদেন্ট এন চাওবনা থৌরমগী নুংগী ৱারোল পীখি।

## মহৈশঙশিংদা অয়েৎপা পীবসি খুন্নাইদা...

*লামায় ১গী মখা...*এস এম), ওল মণিপুর স্কুল ষ্টুদেন্টস ট্রান্সপোর্টর্স এসোসিএসন (এ এম এম এস টি এ), ওল মণিপুর রিকগনাইজ প্রাইভেট স্কুল ৱেলফ্যের এসোসিএসন (এ এম আর পি এস দব্লিয়ু এ), ওল ট্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর (অটসুম), অপুনবা ইরেপাক্কী মহৈরোয় সিংপাংলূপ (এইমস), দেসাম, কোটা, পি এস দি সী অমদি অতৈগী লুচিংবশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা ঙসিগী দিসকোর্স অদুদা পুন্না ৱারেপ ৫ সু লৌখি।

ৱারেপশিং অদুদি ১) লমদম অসিগী এদ্যুকেসনগী কাঙলোন অসিদা মচি ওইবা মখলগী মহৈ মশিন তম্বা ফংনবগীদমক মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎনবা পুন্না চঙশিনমিন্নবা অমদি থৌদাং লৌমিন্নবা, ২) মহৈরোয়শিংনা মহৈ মশিন তম্বদা মখল অমত্তগী অয়েৎপা পীদনবগীদমক চঙশিল্লিবা খোঙজংশিং হেন্না চেৎশিনবা, ৩) এদ্যুকেসনগী বজেটতা অহেনবা শেন্থং হাপহন্দুনা হেন্না চাওখৎহন্নবগীদমক তকশিনবা, ৪) লৈঙাক্লা স্কুল/কোলেজশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর মপুঙ ফানা লৈহন্দুনা অমদি অৱাৎপা ওজাশিং হাপ্তুনা শোথনা লৈরিবা লৈঙাক্কী মহৈশঙশিংদা মহৈরোয়শিংবু মপুঙ ফানা মহৈ তম্বা ফংহনবা অমদি ৫) প্রাইভেট স্কুলশিংদা পুবা থাংবা ঙম্লোইদবা শেলগী দিমান্দ তৌবা অমদি এদমিসনগী মতমদা কোটাগী অচৌবা পোৎলুম অমা পীরিবা অসি সেক্সন খুদিংমক্লা তৌদনবা অপিল তৌবা হায়বসিনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা দি এম য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রো. নোংমাইথেম রাজমুহোন অমদি মণিপুর য়ুদিভর্সিটি ওফ কলচরগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রো. পাউনম গুনিন্দ্রোসু মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

## প্রসিদেন্সিএল পোলগী মীরেপ...

*লামায় ১গী মখা...* পিশিং অমদি এম এল এশিংগী ওইবা অখন্নবা মীফম অমসু পাঙথোকখি। অদুম ওইনমক থৌরম অদুদা পাউমীশিংবু শরুক য়াহনখ্রবসু পাউমীশিংনা মফম অদুদা লৈরিঙৈদা দ্রোপদি মুরমুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিগা মরী লৈননা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকখিদে। হোটেল ইম্ফাল ক্লাসিক্তা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মণিপুর লৈঙাকপু শৌগৎলিবা পার্টিশিংগী ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ য়াওনা শরুক য়াখি। লোয়ননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর সর্বানন্দ সোনোৱাল, রাজ্য সভ্যাগী এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবা, য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর আর কে রঞ্জন, প্রতিমা ভৌমিক, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর টিঐচ সত্যব্রতা, আউটরগী এম পি লোরহো এফ ফোজে, বি জে পিগী নেসনল ভাইস প্রসিদেন্ট দি কে অরুনা, পার্টি অসিগী নেসনল স্পোক পার্সন অমদি মণিপুরগী ইন-চার্জ ডা. সম্বিত পাত্রনচিংবসু শরুক য়াখি। মীখল থেংনগদৌরিবী দ্রৌপদি মুরমুনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ওপোজিসন বেঞ্চতা ফম্লিবা এম এল এ খরখক নত্তনা বি জে পিনা লুচিংবা ষ্টেট লৈঙাক্তা শৌগৎলিবা পার্টি পূম্নমক্কী য়াওনা ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এশিংনা শোয়দনা মঙোন্দা ভোট পীহন্নবগী হকচিনবা ৱাফমশিং পার্টিগী ষ্টেট লিদরশিংদা চেকশিন্না শিন্নরমখি হায়রি।

## নুপীমচা ১বু ইকায়খুম্নবা ...

*লামায় ১গী মখা...* থৌদোকসিদা চেন্নবদগী চেন্দুনা লোৎখ্রবা মীওই অসিবু মথংগী নুমিৎতা শুগুনুগী মফম অমদগী পুলিসনা ফাগৎখিবনি।

নুপীমচা অসিনা মীওই অসিগী ইমুংদা চার্জ তৌরম্বা মোবাইল ফোন লৌবা লাকখিবা তাঞ্জাদা ইমুং অদুদা মহাক খক্তং লৈবগী খুদোংচাবা লৌরগা মহাক্লা নুপীমচা অসিগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনখিবনি অমসুং মনা-মনিল নাইরক্তনবা নুপীমচা অসিগী পুন্সিবুসু মাঙহনখিবনি হায়রি। পুলিসকী মায়কৈদগী কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন চত্থরবা মতুং এপ্রিল ২২, ২০১৫দা চার্জশীট থাগৎলক্লবা মতুং সপ্লিমেন্টরি চার্জশীটনা মার্চ ১, ২০১৯দা থাগৎলকপগা লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা আই পি সী অমসুং পোক্সোগী এক্টশিং অসি চার্জ তৌরবা মতুং ৱায়েল চত্থরকখিবনি। লোয়ননা কেস অসি সী জে এম, থৌবালদগী কম্মিট তৌরকখ্রবা মতুং ফাষ্ট ত্রেক্ট স্পেসল কোর্ট নম্বর ২ অসিদা মসিগী ৱায়েল চত্থরকখিবনি। লোয়ননা কোর্ট অসিনা কেস অসিগী অর্গ্যুমেন্টশিং মে ২, ২০২২ অমসুং মমাঙ থাগী ২৭তা পাঙথোক্লবা মতুংদা রিজার্ভ তৌরকখিবা জজমেন্ট অদু ঙসি ওপন কোর্টতা লাউথোক্লদুনা মহাকপু পোক্সো এক্টকী সেক্সন ৬ অমসুং আই পি সী সেক্সন ৩০২গী মখাদা মরাল লৈরে হায়দুনা ফাদোক পীখিবনি।

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৭.০৩°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৬.০৫°C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০২
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৩০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৭

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 81.470584 |
| US Dollar | 79.347855 |
| British Pound | 94.751174 |
| Australian Dollar | 53.756772 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.822629 |
| Japanese Yen | 0.584178 |
| Malaysian Ringgit | 17.954446 |
| Singapore Dollar | 56.430517 |
| South Korean Won | 0.060335 |
| Saudi Arabian Riyal | 21.159428 |
| Thai Baht | 2.210798 |

## বোমনা অকি-অখং পীবিবগী মহুৎতা ৱারী...

*লামায় ১গী মখা...* ফবদগী অশোক-অপনদি য়াওহৌদে। বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হনবিরম্বদু কনানা তৌবনো হায়না শেংদোকপিরকপা য়াই হায়না পাউচেশিংদা য়েংজবনি। মদুসু কনা অমত্তনা শেংদোকপীরকখিবা লৈতে। মদুগী মতুংদা অমুক ঙরাং জুলাই ৪গী নুমীদাংদা চাওরাক্লা পুং ৭.৩০ রোম তারকপা অদুৱাইদা বাইকতা লাকপা মীওইশিংনা বোম অদু লংশিল্লম্বনি। লংশিল্লল্লিবা বোম অদুবুদি পোকখাইখিদে। বোম লংশিল্লল্লে হায়বা অদুসু অয়ুক্তা হোকরনা থাদরম্বা পাউচে লৌশিনগে হায়না থোক্লুবদা থেংনরকখিবনি। অসিগুম্বা থৌওং অসি কনানা তৌবনো হায়বগী চপচাবা চিংনবা মীওইশিংসু লৈতে। মরমদি ঙসি ফাওবদা য়াম্না চম্না পুকচেল শেংনা অদুমক থবক তৌদুনা লাকখি।

মণিপুর পুম্বগী ওইনা খ্বাইদগী মরুওইবা দিপার্টমেন্টশিংগী মনুংদা এগ্রিকচলর দিপার্টমেন্ট হায়বসিসু য়াম্না মরুওইবা দিপার্টমেন্ট অমা ওইবা মরম্না মীওই কয়া হার পীয়ু অমদি হার য়েনগে হায়না লাকই। লোয়ননা এগ্রিকলচরগা মরি লৈনবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা উন্নবা কয়াসু লাকই। লোয়ননা হার ললোন্নবগী মীওই কয়া অমসু উনবা লাকপসু য়াওদবা নত্তে। মদুদা অরানবা থবক তৌদনবা পাউতাক ওইনা ঙাংবা শকপা অমদি য়াম্না ফজনা হার অসি লৈঙাক্কী মকোক থোংবা পোলিসি মেকর্সশিংনা পোলিসি অমগী মখাদা হার পীবনি হায়বনচিংবা মরিক চুম্না ফোঙদোকখিবদি লৈ। লোয়ননা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর অমা ওই হায়দুনা মখল-মখা কয়াগী মীওইশিংনা মখোয়গী অনিংবা-অপাম্বা ফোঙদোক্লম্বশিং অদু পীবা ঙমদবদগী পেন্দবা য়াওরম্বসু য়াই। মদুনা মরম ওইদুনা ঐঙোন্দা তাথি-তাওইনা য়েক্লবা ওইনা খনবা মীওইশিংসু য়াওরম্বা য়াই। অদুবু অরানবা থবক্তি তৌখিবা লৈতে। ঙসি ফাওবদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর অমা ওইজরবসু ইশাগী ওইবা হার বেগ অমা ফাওবা লৌবা লৈতে। লোয়ননা লনাই ওইনা অমদি দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী অশোয়বা থবক অমত্তা তৌবসু লৈখিদে। মরম অদুনা করিগুম্বা অকি-অখঙ পীরক্লিবা মীওইশিংনা পেন্দবা কয়া লৈরবসু অদুমক থম্মোয় শেংনা ৱারি শান্নবগী তাঞ্জা অদুমদি পীহন্নিংই। মরমদি অসিগুম্না য়ূমদা তোয়না বোম পোকখায়হল্লকপা অমদি লংশিল্লকপগী থবক অসিনা য়ূমদা লৈরিবা অঙাংশিংদা চাওনা অকি-অখঙ পীবা ওইবতা নত্তনা য়ূমগী লোয়নবী অমদি ঐহাক ইশামক ওফিস চৎথোক চৎশিন তৌবদা অকি-অখঙ লৈবনা মরম ওইদুনা চাওনা অকায়বা পীবা হায়বদু ওইরে হায়না ফোঙদোরকখি।

লোয়ননা মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, মশক খঙদবা মীওইশিংনা বোম অনীরক লংশিল্লম্বগী থৌওং অসিনা ইমুং-মনুংদা চাওনা অকি-অখঙ ওইহনবতা নত্তনা অশি-অনা ফাওবা থোকপা য়াওরক্লবদি কমদৌনি হায়বা মীপাইবা ফাওরে। লৈঙাক্লসু অমদি মরি লৈনবশিংনসু হীরম অসিগী মতাংদা কুপ্পা থিজিল্লমগনি হায়নসু থাজে। সিক্যুরিটি পীবগী মতাংদা লৈঙাক্কী ওইবা তোঙান-তোঙানবা চৎন-কাঙলোনশিং লৈরম্বা য়াই। অদুবু অসিগুম্বা থৌদোক অসি মখা তানা থোক্তনবা চেকশিনবা ওইনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী সিক্যুরিটি পীবা য়াবা লৈরবদি মতিক চাবা সিক্যুরিটি পীহন্নিংই হায়নসু ফোঙদোরকখি।

## এগ্রিকলচর মিনিষ্টরনা হার মরাং কায়না ফংহনগনি হায়খ্রবসু ...

*লামায় ১গী মখা...* দিপার্টমেন্টগী গেটতা ফমখিবা ৱাকৎ মীফম অমদা ফোঙদোকখিবনি। ৱাকৎ মীফম অদুদা মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, এগ্রিকলচর মিনিষ্টরনা হার মরাং কায়না লৌমীশিংদা ফংহনগনি হায়খ্রবসু হৌজিক লৌমীশিংনা তঙাইফদনা হার মথৌ তারক্লবা মতম অসিদা হার ফংদদুনা লৈরে। এ সী/এ সীশিংগী এম এল এগী খুৎথাংদা হার লৌমী খুদিংদা ফংহনগনি হায়বা অদুসু লৌমী খুদিংদা ফংহনবা ঙমদ্রে। এ সী খরদদি ৱার্দ মেম্বরনা য়াম্না ফজনা খুঙ্গং-খুঙ্গং অদুগী লৈরিবা লৌমীশিংগী লৈজরিবা লৌফমশিংগী মতুংইন্না লিষ্ট শেমদুনা হার লৌমীশিংদা ফংহল্লি। অদুবু অয়াম্বা এ সীশিংগী লৌমীশিংনদি এম এল এগী খুৎথাংদা হার ফংবা ঙমদনা লৈরে। মরম অদুনা লৌমী খুদিংদা হার ফংহনবা ঙমদ্রিবা অসি লৈঙাক্লা য়াম্না ফজবা মওংদা য়াম্না ট্রান্সপরেন্সি লৈবা পোলিসি অমা শেম্বিদুনা দিষ্ট্রিক্ট-দিষ্ট্রিক্টকী দি এ ওশিংগী খুৎথাংদা লৌমীশিংদা হার ফংহনবিয়ু। চপচাবা লৌফমশিংগী ফংফম থোকপা হারশিং অদু ফংহনবিনবা হোৎনহন্নিংই।

এ সী/এ সীশিংদা লৌমী অদুক লৈ হায়না লিষ্ট শেম্লগা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টতগীদি হার মশিং চপচানা লৌখ্রগা লৌমীশিংদা হার ফংদ্রিবা অসি কদাইদা হার মাঙলিবনো হায়বসিসু লৈঙাক্লা থিগৎহন্নিংই। ঙসি ফাওবদা লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা টেনন্ট ফার্মরশিংগী লিষ্ট শেমদুনা মেন্টেন তৌবা ঙমদ্রি। টেনন্ট ফার্মরশিংগী রাইট ফংদনা অরেম্বদা মাঙদুনা লৈরে। কুমজা ১৯৬০দগী চৎনরকপা এম এল আর এক্ট অসিদা য়াওরিবা টেনন্ট খাটিয়া হায়বদু মেন্টেন তৌদবা মরম্না লৌফমশিং কনা-কনানা উরিবনো হায়বা মশক খঙদ্রে অমদি অশেংবা লৌমীনা কনানো হায়বদুসু মশক খঙদনা লৈরি। মসিনা মরম ওইরগা মণিপুরগী লৌমীশিংনা হার ফংবা ঙমদবনি। মরম অদুনা তশেংনা লৌবুক্তা কুমদুনা লৌ উরিবা লৌমীশিং কয়া লৈবনো হায়বদু খুল-খুল অদুগী মেম্বরশিংনা অমদি খুল কম্মিটিনা খঙগনি। মখোয়না থাগৎলকপা খুল-খুলগী লিষ্ট অদু এগ্রি দিপার্টমেন্টনা ভেরিফাই তৌদুনা হার পীরবদি অশেংবা লৌমী খুদিংমক্লা ফংফম থোকপা হারশিং অদু চপচানা ফংবা ঙমগনি হায়না খল্লি।

লৌমীশিংনসু তঙাইফদবা হারশিং অদুখক্তমক লৌবিয়ু। লৌ শঙম অমদা হার কেজি ৩০ হেন্না চাইবিগনু। হার হেন্না চাইবনা লৌফমশিংগী লৈবাক লৈহাও অমদি মীওইবগী হকচাং শোক্লক্কদৌরিবশিং অদুদগী কন্নবা হোৎনমিন্নসি। পূম্নমক অসি চুমথোক্লবা হোৎনবদা লৈঙাক্লা য়াম্না ফজবা মতিক চাবা পোলিসি অমা শেম্বিয়ু। মরম অদুনা অদুগুম্বা পোলিসি অদু লৈঙাক্লা চপ চানা শেম্লে হায়না করিগুম্বা চৎলিবা থা অসিগী জুলাই ৮ ফাওবদা থাজবা পীবিদ্রবদি জুলাই ৮গী অহিং নোংয়াইদগী পুং ২৪গী ওইবা মণিপর শিনবা থুংনা লমদম অসিদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা লৌমীশিংনা বন্দ কৌবগী ৱারেপ অসি ভারতিয়া কিষান সজ্ঘনা লৌবনি। পুং ২৪গী বন্দ কৌগদৌরিবা অসিদা মণিপুরদা লৈরিবা লৌমী খুদিংমক্লা সপোর্ট তৌবিয়ু। লোয়ননা করিগুম্বা লৈঙাক্লা জুলাই ৮ ফাওবগী মনুংদা থাজবা পীরক্লবদি বন্দ হন্দোক্লবগী ৱাফমসু লৈবাক মীয়ামদা শোয়দনা খঙহনজরক্কনি।

## লায়েংলিবশিং গভর্ণরনা য়েংশিনখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...*অসিগী ৩দনা হকচাং ৮ ফংবা ঙমখিবনি। অদুগা ঙরাংনা মীগী খূৎ অমগা কোন্ননা হকচাং ৫ ফংখ্রবা মতুংদা ঙসি নুমিৎ ৬নি চল্লকপদদি ঙরাং ফাওবদা ফংগদবা ৱাৎলিবা মীওই ১৪গী হকচাংশিং অমত্তা ফংবা ঙমখিদে।

অদুম ওইনমক এস দি আর এফ, এন দি আর এফ, সী আর পি এফ, আর্মি, অসাম রাইফলস, মণিপুর পুলিসনচিংবা রেস্ক্যু ওপরেসন টিমনা মনাক নকপদা লৈবা খুঞ্জাশিংগা খূৎশম্নদুনা ৱাৎহৌরিবা হকচাংশিং থিবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

চীংগী শরুক্তগী কিন্থরকখিবা লৈবাকশিংনা থৌদোক থোকফম মনাক্তা চেনবা ইজৈ তুরেলদা পুল্লপ তাশিনখিবদগী লৈবাকশিং অদু মথৌ তাবা মেছিন্নরিশিং শীজিন্নদুনা কোৎথোক্লগা তুরেল অদুগী মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা লৈবাক মনুংদা ৱাৎলিবা মীওইশিংগী হকচাংশিং লৈব্রা হায়দুনা য়েংবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

স্নিফর দোগ অমসুং গ্রু ৱাল রেদার ফাওবা শীজিন্নদুনা ৱাৎহৌরিবা মীওইশিংগী খোঙ্গুল লীবা লেপ্তুনা চত্থরক্লিবনি। ঙসিগী ওইনা হকচাং অমত্তা ফংবা ঙমখিদ্রবসু হয়েং অয়ুক্তগী হৌনা চত্থগদবা রেস্ক্যু ওপরেসনদদি ৱাৎহৌরিবা হকচাংশিংগী মনুংদগী খরদি শোয়দনা ফংবা ঙম্লবা য়াই হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর (এদ্যুকেসন এন্দ এক্সটর্নেল এফ্যেরস) আর কে রঞ্জনসু থৌদোক থোকখ্রিবা মফমদা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

## অনৌবা কেস ১৭ ...

*লামায় ১গী মখা...*আইসোলেসন তৌদুনা লৈরকপা মীওই ২ অমসুং শিজ হোস্পিটালদা লায়েংলকপা মীওই ২ পূন্না ৪ নাবা ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখ্রবসু এক্টিভ কেসকী মশীং ৬২ শুবনি হায়রি। অদুগা ঙরাং ফাওবদা রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৪২ লৈরম্দু ঙসিগী ওইনা চাদা ৯৮.৪১দা হন্থরক্লে হায়রি। অদুম ওইনমক ঙরাং খক্তদা মীওই ৩২৪৮ কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা কাপথোকখিবা অপূনবা দোজ মশীং ২৯,৬৮,৯৪৬ শুরে। মসিগী মনুংদা অহানবা দোজদা ১৫,৯৪,৪৮১নি অদুগা অনীশুবা দোজদনা ১২,৬০,৬৫৬নি। প্রিকোস্নরি দোজনা ১,১৩,৮০৯নি হায়রি।

### GAS NEWS

**KHORIPHABA NAMBOL**
**Bk.upto date**
Timing 6.30am to 10 am
Cont.no - 8787632782, 6009194940
**POROMPAT INDANE GAS, POROMPAT:**
**BOOKING UP 08/06/2022**
Valid from 24/05/2022
#Pls contact 9366184547 for home delivery during 8AM to 10AM.
#For queries during office hours: 9362661205
**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 16/06/2022
**BOOKING UPTO: 21/06/2022**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM
**HIYANGTHANG INDANE.**
**BOOKING 10-06-22.**
Valid..06-06-22.
**Stk.-306.**
Timing 7.a.m.to 11.a.m. Only home delivery Service. Contact no. Office no. 6381538861. 8414043907.Whatsapp.no. 6009260971.
**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
**Booking-- Upto Date(14.2kg)**
*****19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.
**M/S K&K INDANE SERVICE,**
Home delivery only
**BOOKING UPTO DATE**
20 days gap from last delivery
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE & MAYAI LAMBI-9362663937/9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.

**MID BRAIN ACTIVATION COURSES**

A Lifetime Gift to Yours Child



মমল নাইদ্রবা, পুন্সিগী ওইবা খুদোল অমত্তং অদোমগী নুংশিরবা ইচাগী ওইনা পীবিহৌরো জপানগী Technology অমগী মতেংনা Sunday খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্লিবা মিট ব্রেন এক্টিভেসন Courses না অদোমগী অঙাংবু ৱাখল বুধি-লৌশিং থৌহনবা, মিথোই মীহেনবা অমদি অথোইবা মায় পাকপা ওইহনবতা নত্তনা লাইপোক অমা ওইনবা হোৎনবদা চাওরবা মতেং ওইগনি। মতম মাঙহনবীগনু। অদোমগী অঙাংবু Courses অসি য়াওবীহৌনবগীদমক অকুপ্পা মরোল খঙবীনবা কোল তৌবীরকউ।

**Call Please :- Genius Mind Tech. Imphal**
**100% Guarranty** 8787562714 - 9862287481

HL-P/2944/4,6

**KINGDOM EDUCATIONAL INSTITUTE™**

N·S·D·C National Skill Development Corporation
Transforming the skill landscape

Recognised by Ministry of Corporate Affairs, Govt. of India
An ISO 9001:2015 Certified Institute



**Special Class for X, XI, XII Appeared Students**

**IT & SKILL COURSES**
- Computer (NIELIT)
- Spoken Hindi
- Spoken English

**AVIATION COURSES** 2nd Batch –10th Jun, 22
- Cabin Crew
- Ground STAFF

Get trained under the Supervision of Sir Naobi Loitongbam
- 21 yrs Teaching Experience
- 3 mths at IT Call Centre as a Trainer
- 1 Mth in Myanmar / Burma as a Trainer (Sponsored by SAT, Govt. of Manipur)
- Multiple Schools & Colleges As an English Language Trainer (Sponsored by UGC)
- 2 Mths at AIR (All India Radio) Imphal

www.kingdomeduinstitute.com **7005622203 / 8837407726**

Kingdom Office, IIIT Building (1st Floor)
Old Lambulane, Opp. GP Women's College

HL-B/7705-24 June to 21 Aug (alt.)

**COMET SCHOOL**
A Co-Educational Higher Secondary School

**ADMISSION OPENS FOR CLASS XI (Sc.) 2022-23**

**Application Form** : Prospectus and form are available during office hour **(8:30 a.m. to 3:30 p.m.)**

**Eligibility Criteria** : Students who passed the HSLC (BOSEM) Examination, CBSE or equivalent examinations, 2022 are eligible.

**Entrance Test** : MCQ Test for 100 marks based on Class-X Syllabus (Eng, Phy, Chm, Bio, Mth). The duration of the examination is 1 (one) hour. **(Date, time and venue will be notified later).**

**SPECIAL INTEGRATED COURSES (SIC) FOR COMET SCHOOL STUDENTS' (LIMITED SEATS)**

**Features :**
- Special Integrated Courses (SIC) for **NEET.**
- **To be taught by the Board of Directors.**
- Hostel facility is available exclusively for NEET opted girl students' (Limited seats).
- Separate bus service for hostellers (NEET opted girl students').
- Regular test series.
- Study materials will be provided.

**DIRECT ADMISSION**

**(SEATS ARE LIMITED, BASED ON FIRST COME FIRST SERVE)**

**CATEGORY 1 : 1st to 25th Rank Holder in HSLC, 2022 (Limited Seats)**
**Benefits:** Free Admission and tuition fee for Class XI & XII, One-time free School Uniform excluding blazer and track suit, free bus service. Scholarship package for 2 years.

**CATEGORY 2 : 85% and above but below top 25 in HSLC, 2022 (Limited Seats)**
**Benefits:** Free Admission and tuition fee for Class XI, One-time free School Uniform excluding blazer and track suit, free bus service (for Class-XI).

**CATEGORY 3 : 90% and above in CBSE/other Equivalent Exams, 2022 (Limited Seats)**
**Benefits:** Free Admission and tuition fee for Class XI.
(*Selection is based on individual test, failing which they can get direct admission without benefits*)

**CATEGORY 4 : 80% and above but below 85% in HSLC, 2022 (Limited Seats)**
**Benefits:** Free Admission and tuition fee for Class XI.

**CATEGORY 5 : 75% and above but below 80% in HSLC, 2022 (Limited Seats)**
**Benefits:** Direct Admission without Entrance Test.

**CATEGORY 6 : 1st to 3rd Position in Entrance Test, 2022:**
**Benefits:** Free Admission fee (Class-XI admission amount only).

**CATEGORY 6 :** Students who scored below 75% must appear the entrance test.

(*Students can avail scholarship in Class-XII if they fullfil scholarship rules and regulations*)

**Submission of form starts from** 05/07/2022 (8:30 a.m. to 3:30 p.m.).

For more details, please check the prospectus and school website (www.cometschool.in).

*Where excelling is the way of life..*

Sd/-
Principal,
COMET SCHOOL

HL-B/7718/5,6